লৈরি হিংবা ঙাইবা অশিবা কয়া



লৌখাম নন্দকুমার

Leiri Hingba Ngaiba Ashiba Kaiya

A Collection of Manipuri Poems
By L. Nanda Kumar

Published By : Writers Guild Lakhipur
1st Edition July 1999

লৈরি হিংবা ঙাইবা অশিবা কয়া

লৈরি হিংবা ঙাইবা অশিবা কয়া

ফোঙবা চহী : ১৯৯৯ জুলাই।
নম্থম লালা প্রেস, লক্ষীপুর।
মমল : লুপা কুনমঙা
ফোঙবা : রাইটার্স গীল্ড, লক্ষীপুর।

লৈরি হিংবা ভাইবা অশিবা কয়া

লৌখাম নন্দকুমার

খৃষ্ট কৌবা যীশুগী চহী লিশিং অনীগী থোওজিন্দা লেপলিবা
শৈরেং পাবা মী খুজোক অমদা।

য়াওরিবা মন্নুংগী শৈরেংশিং

য়াকাইরকপা থাগী মাইথোং তম্না খোংবা তাউবশিং

ইকায খুম্নজনা কনাগী মাপাক ন্নমিংতো চংথৈদনা অহকপা শাজং
মঙমশান্দা চংখিবশিং

চোখি পান্দম শায়ং ওইগী ।

পানজববস্থ যুম না'বান্দা

লৈশিদ অমাং লৈকায যোকপা ইননবা ইতিহাস নাচুংদ ।।

লৌন-লৈনবি চক্না নংননবা নুথা যুম্নান শকাইবনা মথোয

অশি খোংজেল অনম্থ কাজনক লাকখি মাচৌশা

চাংনমবা শাগৈগী থাশি ওইনা ন্নমিংশিংদা

ইশ্বরন ইাফাং-ক্ৰোংনা শোংগংখিবা কানববা মীংকুপশিং ।।

তাইনফম শংদ। শাবেপ ফাদ্রিদ্ভে দশা তাবা রারী লিখুন্দা মথোযগী

খেনফম চানা ঐন, ঐগী ফং কুঠাদা মাংশিননিংখিদ

ইাপৌ লৈনক অকাম শিংদং চংনিংশিংদ ।।

চাংকায চানা নম্লাইদি পুন্সি কোনা মীওইবব্ মরমচাদা প্ৰতিবাদ

তৌনগী ইনা লৌশ্না অমা চা থ দিরকশন পীখি।

চং ফিবান চাদনা ওইশিংগী ন্নপী নাকতা লেনখি

লাপথোকখিদে ডুই অংগুম গপ গপ খোংথাং যাম্না কনখি

চোখি নিহুন ইমুং

উনন্দী পুক্সি মাথাই কান্নদা ন্নমিংনা নোংমদা অমুব শিবা যেংখি
লমলেমদা সহারাগী

থংনবা অযুকতা তাথি ন্নডাইবা ফোংদোকপা মানবা তাম্ন নোংমৈগী
মাপাল ।।

যাইফ-থাখাই অমসু ভাইবদা নোং
ফিংগংখি আইন থুংদবা মতম-মনাওশিং
মখোায পুন্না অক যৌবী ঙকনি
যুমলোনবী চমল মৌশিংগী মতারোই ওইজনিং চংজফম থিথি।
মী থরতনা শকথংনব। হিহোনবশিংনদি ইকাযথংদবা
চাকতাফমদা লেমলৈগী হেভো-হেঙানরা যারেকপা পামজবশী
মীতেক-মীরী থংদা খুকাপী কাপতুনা পাপ ভৌরিবশিংদি
থোংনিংখি হুই পীবা যাবগুম ইনতারনেৎতা ঈশ্বর বিরোধী ভাসন।
অতুনা খ্বাইদগী কিজবা গেংরপ কেস খুদিংদা দিংকৎশিংশিগী
এগী মীং যাওখিদে।

মুবথ অমগী খুবাক মযাইদা মুবথ অমনা তিন শিংখি
শরি রাশক্র হুরান চিনথি তৌথি।
ইরাংগী মতম কৌবদা চংখানগনি করম্বা মতম
অচেনবসু, অতানবসু চপ মানবা পুন্না মাইথিবা
শুপতংগী হাযবা ঙমখি: মতম। থাজশিংব্রী অকতনী লৈশানী
অমগী মাইকোক, যেংবা যাদ্রে নং।

নীতি পারা শিংদমশঙ লিংজুনা যুম্বাল লুদনী কনাবুসু কাপম্নবা ঙমজদে
মীতিনফমদা

চংলিনে পূজা মীংগা শক্কা চুনদবা নুপীশিংগী
চিংচোম্না লৈজদেনে এগীদি শেল
পীথক্কনুনে মখোযবু হেন্না যু।
পুণ্য তরেংকী মপু ওইবিদী নরাক তুরেল খোংম্নং,
অশি খোম্জেলনা পুমনিল নিলখিনি
রানা লেনজগনি যাকাযরকপা থাগী মাইথোং তম্না খোঙবা
হাউবশিং॥

গান্ধীগী মপোক নুমিৎতা
লৈখিদবা মীৎতাংলবী ঐগী নুপী

ঙবাংদি রামগী মীং লৌতুনা
অয়ানবতা তৌবা যাবা নুমিৎনি
ওক্লৌববগী তাং অনী
মু থকপলগু যাই থকত্রবস্থ যাই, লৈত্রবনিনা অচুম্বা

মী ওইনা পোক্লগা ফাত্ত খ-না খংনা
নাপলগী পাউ যেনবা খদরগী ফী শেৎচিল্লগা
গান্ধীগী মমি অমদা ঐনা থাংনা থিনদৎলি
অত্থগা লৈ কৎপ চৎলুই ফজরবা জয়ন্তীগী ।।
চলক্লগদি নোকমিন্নৈ গোৎশগা
ঐগী তুম্ফম কাদা লোম্না লাৎচবা মমি অমা

নীংবা কাযনা চাযনত্থ ঐগী লৈরোই থন
শৈরা অমত্থং ইননবা মীৎশেং থাংনা হোৎনজৈ নুমিদাং
থংহৌদে ইরমদা তুমথখি।
মঙদদি : মমাগী মতমবাক্তা লৈরিতেঙ মুখকপা তৈখিবা
নাচুংবা মাংড্রিবা সিফাইশিংগী ঐ-মা থংদ কাপ্পা নোংমৈগী মরু মরক্ত
শগোলগুম য়াংনা চেলখী ঐ ॥

রাশক শক্লতুনা ঐবু থংকনি থল্লম্বা চৌ, তুরেলশিং লানপোকই
লৈবম্মী অমুকস্থ থংতুনা লাম্মীশিং
শিব্রমদাইগা চপ মাননা রাই ।

মীংকপ থোকনে !
দশা অনা কোকাল থল্লিঙৈ
যুহা হাবকই
মীপাইরতুনা নাকতা তুমনিদী ঐগী মীংহাংলবী মুপী তৌদোকলুই
শিবমলে মা মঙলাক্লতুনে। অঙকপনি
শিদমুক ইকনি কদাযদগী ঐনা শৈরেং
গোংশেবু লাংতুনা 'মাংফম থক্তস্থ চান্নবীগী ॥

য়েকঙমদবা মমলগী থরায় হাপলবা লাই

মতমনা ইতিহাসকী অতিয়াদা শুপনম শাসনগী নোং ওইনা পাইরকপদা
ইমিংশিনা নীংতম্লিংবগী লৈশেম জগোয় থেকলম্মী অচিকপদা অহিংগী ॥
ঈ-মরীগী ইখোলাংবা পীগী মমলগী ঈশৈ ঙংলম্মী
মাগী মযাইকাবা নিশাগী পল্লেপফম লৈবা তোবর্বান্দা লেপলহৃনা ॥
থাজবগী মঙালগী রাইশংদবা চগো মরক্তা থিনগৎতুনা থোনান
যাইফবগী মহু ওই
চাযবম্মী মৈবি খোইদৌপুবা শিংলিশিংগী খোঙখাদা
ইজ্জংকী তেকপা লৈত্রবা যংলেন শকগী মঙশিং ॥

শিঙনবগী লোন ওইনা নুঙ অনী থেংনহল্লি
অকাযব মীংশেলদা তাবা মমিশিং মুথৎলহৃনা
মৈ চৌরকপদদি
মৈরিশিং থুহুম চনশিনখি
শিবা নাইদব শুপনম শাসনগী তম্লাই যোংবা খোঙ্গুলদা ॥
কাঙলকপা চিনবানম্ভ ঈ কাপা
মেনশিনখি শকথদবা শাফুনা
অরাবগী শবংদা শাংপা লৈ ওই ॥
মমি শামলবা খুবাক মযিহু
কোনহৃনা খাঙলম্মী
বন্দিগী ইথুংশিনা মঙলান অমা যেক্লীংনা ॥

সহিদ

মতম য়োরে
লান নত্রগা পুন্সি করিনো ? রাঙ'
কনাদস্থু হংলুবগী হক লৈজদে হালেংদ
লেমলৈশিংন মোংব উই ফমদিন্ন নাচুংদ
নিকহনখি ঈশিংদা থাগী লৈমায

খোংদারকখি ঈশৈ কনাগী
অমুক হন্ন পুরক্তুনা যাইফবা নুমিৎ অমগী মোমোন মিনোক
শোকখি মখোং সহিদ শিংগী মীকপ থোকলকপদা
য়েনখি লৈ খোঙথাঙ খুদিং সুবনা অথাংকনবী ।।

উনবা

নংনা ইথোৌলাংনা হংলক্লগদি নতিক উংতুনা
লৈশাহনগনি ঐবু নৈংপীদা কযাম কুইনা
থুমগনি ঐনা থুকাপী কাপতুনা শিত্রীফাও
ওইরগস্ব মৌ ॥
মুংশিবগী যেক্লবস্ব ওইদবা নংগীমীংনদি লোনথোকতা
তপন্স ভাষন পীহ্লনা
নিরকউ ইবা গী লৈকোলদগী চহিচুপ্পা লৈ
য়োনথোক্লহুনা পুন্সিসি লাংলোন মপোক কয়াগী
লৈগনি ঐনা উংতুনা নোল্লকপা
নংগী লৈগী মাইথোং ॥
হকথেংনরগদি কবি অমা ওই ইকায়খৈ
নংতগা কাওবা ঙমদ-উনবা
চাকচগে মোম ওই মুংশিবগী
নংগী শেংলবা দিবানিতাগী যৌবননা পন্দোন লোম্ব
অহিংদ ॥

পাউসি য়েক্তুনা লৈ

হিগোক মচুদা অতিয়াগী

থাজবীবতুনা যীশুনসু থেমজনবীরকই
ই থগনি নেমগ্রবা নোংলৈগুম
পীরকতে ইরাল
পিনতুনা ভাক্রম্মী অশিবনা পামজবা
লৈগী শাম্নবু অমা বসন্তগী মশাইগোন
হুরাওজরে ঐ
ঙাওচংনবদি পোথাররি মেংলবা থাবলগা অহিংগী
চিকমাংনাগসু খল্লম্বনি
মোংফম ওইনসু লৈকোলদা থাবলগী
মালংবনদি লাক্রম্মী নাশোন পিক্লা লোন্না তুমিন
লৈনমবু তুনা লৈকাদগী
লোনথাকত্রবী মাইথোং অম যেত্রতুনা থাবলগী
যেকপা লোইরবগী তুংদসু
শিবতনক পামজগনি ঐদি মীংচানতুনা থাবলগা
কনাগী মোল্ল চিনবানসু লৈ মেনশিন্দুনা লৈচিলদগী হেন্না ভাও
পাউসিদি য়েকতুনা লৈবা হিগোক মচুদা অতিয়াগী ॥

গনতন্ত্রগী কয়

চয়াংনবগী শকউদবা মুংশিগী থুংশানা চল্লি কু
লাই ওইরবা গনতন্ত্রগী
লৈতাদবগী শিংলিদা চেল্লি ঈ
মীহুন যাওরবা য়াথোকী
খোইযুমগুম্না শক লোং
মুংথিলগী অমম্বশিংনা শান্নরি মঙালবুদি যাফুগী শরু মতেক পাইহনা।
ইচম চমজবা শঙ্গোম মচুগী হিদান্নবা ভুমদবা লৈগী থম্মোয়
নাচ্চংলকথি নীতি মুমিং থুদিং
লেংলকপদা তিংথংনা মুংশিগী উনশা
মুনবীথি লোন্না মুংশাস্বোর থমচেং শাবা অযুক অমস্তং মুংথিলদা
আশাগী থুবাক ময়াইদা শান্নজবা, মঙ অমগী।

নুংশিনদুনা অশিবা হকচাংশিংগা ইরিবা ইতিহাস

হিংনবগী দমকতি : হেন্না থুদোং চাবা নুমিৎ অমা লেপ্পনা ফরবনি শিবগী।
থংলে ঃ লেমাহৌরিবা মতমশিংশিবুদি মপোকশিগী মুড ভাকতনি
নত্রগা অকাযবা মীংশেলগী মনাযনক্তা পাইবা মমিশিং।

শুপনম শাসনগী তাংলবা পাউচগী অহানবা য়ংগীনগী চেমাযদা
ভাল্লম্মী নংগী মীংনা কোরৌ ওই নীতি নুমিং থুদিং
নংব লাইবক ফবা অমনি হায়রদুনা রা রা দাওই
ঐগী থংনবা রাজনীতিগী য়েথৈদ্রবা ছবি অমগী লৈকায়।

মরাং কাযনা লৈলে হাযত্তুনা যুপক শেল
পোংক্তরিবা মমিং লৈর মত্ত লৈনাকশিগী আইনগী মীৎস্লাদা
যোক্লত্তুনা নংগী নমথাক্লা মভাল
শাৎকাযহনখি লৈ শান্নফম ওইনা ঈশ্বরগী॥
মশানা মশাগী থরাযবু মুংশিবা অমত্তা পোকঅক্তুনা লালোনবা ম লি
নংবু টক থুদিং মখোযনা॥
অচুম্বনু নোইননা হৈত্রবদি মাংবান্দ চেংকখোকপিখি ইক
তমথিনা উংত্তুনা যাত্তুগী থলাব॥
হাহৌরকলি নংগী মীৎস্লাদগী অহিংগী অমম্বু থোশাবীদবা নোংলৈ
ইংথৌ য়াদ্রনা তিতলারগী কেঙ্গোল অনা ওই।

ইবাগী মুখল তাযাদাব্রহনা তাযহনখি ঐবুস্তু নোংমা
যুগা যুগা তিন্নরগা ওইরবনি হৌজিকতি লৈ
ইমাগী শিথোমনুংদা লৈরিবে
ইশানা ইশাবু শিজবগী খোংজং অমা চংশিনজহনা
মোংফম অমা শেম্লগনা ফম্লগনি।
লোন্না শাকুগা ইবাংগী মহুন নোংমা
মাপাকশিমা ফমহুনা চাজবহুনা নংনা
পুন্সিবু অরাবা নত্রগা চৈরাক অমনি হায়বদি লাল্লবনি

ইরাং শোগংহনা পৃথি
তুজুংলকাল হৌজিক্তি নংবুস্থ হাংলুবা
চাওরকপদি নংগী খোংথ দা মঙ ওই ঐ
অহুনা তুংশিনবদি ওইজরশমু অশিবা হকচাং অমা ॥

গান্ধীগী মীংদা ইজ্জৎকী তক্ষা

পুন্সিবু তপ্পা তপ্পা মাংহনবা ঙম্বগী হৈনবী অমদা
লাইচুরবা নংগী চমচা অমদি নাক্ ঐ ।।
মাগী শাযান্দনি নাইজরিবা লং
অশ্বোনবা শাজং, থকলহুনা যু
পাপ তৌরিবনথৈ হিংলিত্তেদাদি
ফংই হাযনৈ মুক্তি ।।
অহুনা
হিংনবগী দনক্তি পুন্সি হাযবসি যু শুংহুনা লেল্লগম্ব যাই
শক্লহুনা ঈশৈ বৈষ্ণব বচনকে ।।
গান্ধীবু নলোনহুনা লেনবশিংদি রেপ কেশ তারগম্ব বন্দি ওইখিদে
মুপী অনী লোনহুনা স্বর্গ লামখি মন্দেলাগুম
অহাম্বা মাগী মুপীনা মতম চুপ্পা মাবু হাংনিংহুনা লৈবা ।।

হল্লক্রবশু গান্ধী শাসন
নরক তারবা মীওইশিংনা পুনশিল্লগা শেনখিবা লৈবাকসি
ওইহুনা অহুমক লৈগদনা লাইরবগী মতম
হিংসানা লাই ওইরগা অহিংসানা লৈ ওইবা
শেন মযেকঅমতগী ।।

কাংগদবা লৈতেনে লৈবাক
ঙাগা ইশিংগনি যু অমম্বুং গনতম্ত্র ।।
চায়চনজনিংবা লৈখি ইশানা ইশাবু
থংবীউ য়ু শিনফম অমা এই
থিড়না লোম্না গান্ধী ।।
চবা নামা হেম্না নীংশিংসি মাবু
মী শিবগী পাউতমক তাহনতা লাকখিবা
ওাষ্টাবরগী তাং অনী

লেংলক্রবদি ঐগী থোংগাল লাম্না মণ্ডদা মোহনদাস
থৌজিনজরোইনে কৈদৌম্নুং মাঙোন্দা হুই য়ুনা ঙাওরবহ্নু
ইখিগনি অহিংসাগী লীচৎশিংনা ঐ
য়াইফবা মাগী মরায়বক ।।

ঈশৈ শিমতনি মোংফম থকশিদা নংগা ঐগা

শিবগী দমক লাকপনি
করিগী শিদনা হনগনি নংগী দমক
অকাযবা লিক্রী অমস্থং অতৎপা লৈপাবং নত্তে পুল্সি হায়বসি
লৈরি হিংবা ওাইবা অশিবা কযা।

স্থংশিবগী যন্ত্রদা খোংনা নীংক্রম্বগী ঈশৈনদি
হুমাং কাংহল্লি থম্মোয
নোং চুরকই
লাইবু থাজবা ঙম্বা মরৈবাক নীংনা মচাশিংগী মীংকী পী
মোংফম থক্তা চোইনা তারিবশিং
নংগী দমক শাংখিবা লৈ।

শিবগী দশা কোকালে থনজবম্বা লাইগী হচা নিংথৌরেলম্ভ
পাপবু লৈ ওইনা পুজাদা কংলিবা ঈশ্বরগী
কেনখি লুরেন
নংগী ঈশৈগী থৌরমা থাঙ্গোল মযাদা
পীবম্মী থৌজাল লোমীগী মীংস্নাশিংদা লৈচিল্লনদি নীংঙম্বা।

ঐবুদি অশিবগী অচানবা মনাই অনা ওইবা তশ্বনি
নংগী মীংক্লেনত্রবু ইগে থনবা
থরায যাওদ্রবা হকচাংনস্থ লেপনিংবা ফক্লাং ওই
লানফা ওইরবদি যেক্লবগী পাযরহুনা অমুবা ফীরাল॥

হে মী মরক্তগী আথোয়বা
লৈমানগী থম্মোয়মনুংগী লৈ ওইবা
নমলকলি শিবনা তিম্মনা মোংফম অমত্তদা ঐ নংঙী
শিনাইদবা ঈশৈ শিমতং শরুম্বুনা
'হোয়ো অমম্বা অহিংগী অরাবা কোকতুনা
স্বাধীনতা মুমিং থোত্তকলে মাংদা।"

ঘুমথোং থুদিং নহা ওইরিঙৈগী মোমোন মীনোক

কুচু লৈনা ইনথংলকপী
অহিংগী শৈরেং ইবী নিঙোল থাবলবু
পুজা তৌহনা নিংলি মীৎস্নানা কনবা ঙমজনবা থা

শক্রী ঈশৈ তৌবীমল থংবা উংলতনা
মুংশি-মুংঙোলগী যুমলোম্নবা তমগী মহারোট
লংলা শম্মাং খোইককনবী নিঙোন থাবৈম্লে
নোক্ক নোক্ক ওইজনীং
অনৌবা পুন্সি অমগী চমল মপু।

লৈবি চান্ন রাবী নোংমিন্নসু মথং মথং নোংয়াই মতুং
খোংলৈ তপ্প পেক্রহনা জগোয় অতিযা শিনবা থুং
শিনা কিদা বাইতোম লৈশারিবী লৈশিংদা
পোকচখিগে থন লানথেংননা থরায অমতং
পনথুংবু থংবা মুংশিগী হুত ওই
থরায় থাবীবা ঙম্বা থাবল মাগী।

য়েল্লহনা মতম নাইদ লাইনক ফবী অহিংদা ঘুমথোং থুদিং
নহা ওইরিঙৈগী মোমোন মীনোক॥

তাবক্রবদি নোং ছু চেনবা
চোংখিনি নিংথা ইমাগী

মঙশান অমস্থং ভাইবংগী কারক থোকপা লম্বেলদা
ইমানা শারৈ ক্লৌরম্মী
ঈশিং মচুগা অমনবা নিংথাহ্রূ কোনহুনা
থরায যাওরি নত্রগা পাল্লিসু থংজদ্রিবা ঐনা
ইখোংশিস্থ থমলহুনা থবাকতুদা ইমাগী
,কোনশিনজরম্মী: লুমবু লুমবু শাবা মৈহূ তিক্রহুনা থৌনাগী

ঐনা খোম্লাং খিবদা
নিংজলগী খ্লাংজেং লাকশিনতুনা ইমানা ইনখিবা খোম্লাং
শাংকাযহনগনি তেমশিংনরম্বা লৈ ইমাদা ঐনা
নিশা কাব্রবা ইমিংশিনা যেংশি ভসিদি
লোইলম শান্দাকপগী শাম্লবা মথল অমা বন্দি ওইহুনা লৈচিলগী
লেমদবা মচু অমগী শাজং থরাদা
ইশং শংজরিবা মচু অমগী মোংফম শেমখিবা উই

থরাযগী চিরিক তোদনা যুম শাগে থনবদা
রাশক্বী যাত্রা হুনবা ভমজাদে
খোম্লাং মমলগী তৎনাইদ্রবা পাব্রেং
লেংনি করম ঐ
তাবক্রবদি নোং হু চেনবা
চোংখিগনি নিংথা ইমাগী ॥

ঐগী ইচাগী খোংলোয়
হোনবা হৌসি হি

লৈবু উগা য়াদবা মুংশিজগ্রবা লাইগী লাইমাংদা তাব্নি লৈ ।
অথাঙকনবা নরাগী মচুদা শিবা ঙাইবা মীৎনা উগ্রবদি থংহৌদা
কানবা থরদি অথেনপোৎ ওই ঙিলকদোবা মালি শকলোৎপা কনানা
নিংশিংদুনা নংগী লাইথু পকত্রিব মীয়োল কথাগী মরল ওইবা ঈশৈ
অমসুং লোয়না থুপনা ঙবাংতা কনা তাকতা স্বর্গ কাখিবা অতিথি অমনসু
পুন্সিবু ঙাকশেন্না চংগোইবা অমতা পোকখিদে
চাথরন্মী, অশাংপা লৈদি ঈশ্বরগী কনাস্থু নত্তে
উনবা য়াদবা খোংশোযনি
মীৎচানবগদি হেকতমক নোকমিন্নবা ।

অত্থুনা থংই নংদি বিদ্রোহীনি
নিংতম্বা কৌবা মুমিংকী মঙালদা মাযথিবা হৈত্তনা
নাইত্তোম শাংপা মুমিৎলৈশিমসু লাকদবা হযেংগী নরল ওইনিংলদুনা
শৈরেং ইবা ।

ঐবুদি খোম্নাংগা অচেৎপা মরী অমা থম্নদুনা
খোয়দাক্তকবা ঙমজদে অশংবা মচু ।
ইমা হাযবা ইচম-চম্বা লাইবোলশিমৎসু চুম্না হাযবা হৈত্তবা
ইপোক মুমিংশিনসু নংগী নপোক মুমিংমক্তি থনা
লান হৌনসু ঙমদবা চৌন-থংদবা শৈশকপনি ।
মোনদ্রংদা উইথজন্নিবা যেংনা
মীনম্ব র নৎতনদি মমারোল লৈজ্জদবা
ফন্নাইবা শিংগী খোঙ্গুল ডারিবশিং লৈরাংগী লৈকাদা
শক্লীঙ্গে শিতারগী মতেংনা জাতীগী ঈশৈ ।

অহুনা, নংগী শৈরেংগী মপাল তাংনা হিংলগে থন
ভরাংতা খোংদোয হুল্লকপা চীনদমত্রীবা অথোবশিংগী মহুৎশিন
মমা ওইবী শিংনা যেক্রুম্মী খোম্লাং মমলগী লাই
হায়রহুনা যেক্রবগী অশিবা হকচাংবু ইরল ওইত্রিবা মথৈদি
ইথিগনি শৈরেং থুহুগু ইনহুনা নংগী
হোনখিগনি হি। হৌদোক্রহুনা লাকমিনবা ঐগী ইচাগী খোংলোয়শিং।
হায়গনি চৎপা নত্তে শিবা
শানবা চৎপনি ইথংবা
জয তৌরহুনা নংগী ঈশৈনম্ যেক্রবা লাম্মীশিংগী খোইচৎনর মীৎস্না।

শিবসু যাবা

সুমিৎচুপ্পা ঙাংলুরবগী ভুং মঙাওথিনা অচুম্বা
চোকথরে কযৎপুম্বা সুংশিরবা ৎকচাংগী।
অমসুং পক্লক্কদরা হাযবগী চিনবশিংনা লাযনা
কিজরম্মী হিংবকবু

মীৎয়াগী তৌশিন্নবা পীরাংগী লোনম লাং শনদুনা
কংখি কনানা শিথেক ইশি-শিথবগী
হৈত্রগদি মরোথাংনা যেংব, চীংলেমলি মখোয
ইজ্জৎ তানজরীবা শিংদি নীংতম লৈবাকশিগী ইরাক্রি
ইচাওথোক্লদুনা ঈগী।

লৈচিলগী কোক্লা হশিন্নি
চৎনপথাপ লেঙমশাঙমদবনা পানবা লৈবাকসিগী
মশা পুম্বসু শোক্লম্মী লাইচোনা নত্রগা থিনা
অধিকারসু নুংশাংখোব হোনজবগী

হনথরদি হরাওবগী দোলাই মথক্তা জাগোয থেকলি
মকোন অমা ফংলদুনা থরাযগী
হনগা ঐগা লিচিং অমা পুবকপবুদি হিংমিন্নবগী
মোংফম অমা শেমলুবগী লমজেল তান্নবনা হেন্না ফে

থরোইনা জৈশিন্দুনা মায
শিববসু কৈ খন লানথেনবি ঙাইদুনা ইপানখা
পূক শন্না থকতুনা ঐসু নিশা অমা আশাগী
ঙাইবি উপায অমা, মদুদি শিবসু যাবা ।।

লাক্লিবা হয়েংশিমসু নত্তে মাগী

ইখৌলাংবা থবদি থম্বিউ শাংকায়রবা গুলাপ ওই
নংগী মঙদম্লিবা মীংস্নানা মীফুংশি থংই উংননবা
শক্তকলগদি ইথিল লৈনা যেন্নি পান্দা, রাগ কযাগী ন্তুঙ্ভোনবা কুমগী চৈশে

খুনগংপাঁউ মীতাজনা অহানবগী যাত্রাফম সত্তি ওইনা লৈমাযশিদগী
কেল্লবা লৈগী চকন
যাইফ মচৈ যানজনা ন্তুম্মিংশিংদি
নংনা নীংথৌউ খম্নাসত্তবু নীত্তি লৈনা তম্বাত্তনা ন্তুংশিনা ॥
পেনখোননাউ চনত্তন পান্ডব সম দাশ মরোল
উরবদি নসম্ভু মক্ত লাংগীদমক
মথম লৈনা লৈশাং তমলিবা হৈনোমপাম ॥

অমুকম্ম লাম্ননা মীংযদ, উবগদি মাত্রৌ লৈনা অহিংদা নোংমা
নিনী পান্ন থাকগী নথাং কারকপা ইতুম পৌরিবী মাইথোং
হায়নাউ ননা খিনতুন খুং
ভেন্ন পুন, লৌবি মগীম্ম বাইফয় ন্তুমিং অমগী মপাল তাংবা যৌবন
শাংকাযগনি নোংমা লে ওই
হায়বম্ম ভমজদে ঐ
লাক্লিবা হয়েংশিমম্ম নত্তে মাগী ।

শৈতানশিংনা শিবা লাকপা থম্মোয়গী শাম্নবুং

মীপায়জনা শক্লগম্ভ তেংথা ঈথৈ
যৌবনবুদি মাংদ্রিবা ইশায় শিংগী পুরি মপাউ মীচং মীখাই লৈত
মীপাল তাংগগম্ভ লৈখাদি তাদ্রিবা কনা লৈত্র এগী মীৎম্নানা
ফংবা ওমজনবা নরকী লাম্বলদম্ভু
লাইবুং অমা জগোয় থেকলিবা স্বর্গগী ।

যেংলুই হাংশন অতিযাগী মথাম্নুদা
যাইফগগী মঙাল যেনত্নুনতা লাকপা থৌজাল হৈবা কোববীগী
যাকাইরক্রিবা মুংশি চেংলৌ

খোংলায় ওইবা পামজবম্নী
পূক্লিংগী ঘিরেপ অমা শেমশত্নুনা এ
চিম্ন-চাম্না তোমথিন জানবা অমত্না লাকপা

লাইগী মচা যীশুগা তিম্নজনা লিংলত্নুনা পা ম্নাম ।।

তাকম্নগম্ভু নোংমা
শৈতানগী মথুংতা কুম্নাক্না নিংজবা লৈবু শিম্নবা ভমবা
অইংবা উনগী লৈব কা চাকতাব লোম্না নুংশিববু থিবা
মোল্ল-যাওমচা অমগী
মেন তানা হিংনবু পামজবা মতৌগী রা ।।

পেনজরম্মী কনাতাকতা

উকরগম্ম লাল্লম্বশিং লৈ পুদুনা লৈতান শিংনা শিবা

নংগী থম্মোযগী শাম্নফমদা

থংহনবীরম্ব। এবুম্মু

হম্না অমুক ওইবা যাররোই লাম্মী

লান্দা মায়থিদুনা লানজেনবা

হিংফম থংগ্র লমদমশিদা কিনদুনা মপুমথিৎনা

শাওগল্লিবা য়েক্লবশিং ॥

লৈশাবী শিংনা লুনা তৌজবা মীনৌ পাখংশিং

থাবলবু পামজব নোংইন্ন' মঙ মংজে
কুংশি হিরেন তোংদুনা লিকখিনি খোংগুল।
লৈ শাংলি নিংডোলগী কলাবু পামজবা মিংশাগী মাত্তৌ তমদুনা
মসিদা নংনা করি অমুক হায়বা ঙমলি
মখোয়না যেন্নিংথাদা ঈশৈ শকপগী মরম।।

লৈশাবী শিংগী মোংফমদা পাখংশিংনা ঈশিং চাই
হংলুরগদি নংমু পাপ লৈতবা মী অমা ওইবা য়াগনি
কুংশিবগীনি লৈশাবী শিংগী শংবানবা নেনা কপা মীংনা পাখংগী থম্মোয়।

চিংনজবিবদি মসিদা অমুক
নিকাংখাকখিবগীনি থুনাক নযাইদা হাপচবা থরায শিমু হেক হেক
লেংবা যাদবা চকচা, মীংচানবিবা মখোং
অমন অমগী পুন্সিগী মকওইবা মফমশিং কনদুনা লৈবা
তৌবনদি নাংবান্দ লোন্ন কদবা, লৈতেং হায়নবা মাযপাকপা।

অতুনা লৈবু পামজবা নিপাশিংগী খোংশাযদি, হায়নখি কুপীশিং
মতম অমা লাকত্রিবা মখৈদি
যেন্নিংথাদা লৈশাশিনা অংনৌবা মীনৌ পাখংশিংবু গুন তৌবীনা ফবা

হোসপীতালগা মোগাকা লৈনা অশিবা অমা ওইনা
কুংশিবগী অচানবা মনাই অমা ওইদ্রিবদা
শিবনদি হনজবোইংদে ফনা, অবান থুডম।

পূকচেল শেংবশিং অমসুং থাবলচোংবী

নুংশি চিংলোক্লনা থুংকা থুংকা
থাবল চোংলুরবগী তুং মুঙানজনা
যাঙ্গুগী মহু পানবা তাংজবু নৈ ওইনা উহনবা নিঙোলশিংগা
মঙোন চোংলকখি কেকতাস থম্মোযগী শানবুং ওইরন্দুনা লৈকংলা ।

মতিং লৈনা ঙাওরম্বা যুম্মু হনখি ময়ানয়াই লোযরন্দুনা মযাই
ইরাক্লর- মংস্নানা তাওখি কোংগোন ওই
যেকঙমদন ছবি ঐগী নোংনগী মালিকা পম্বেং ॥
নিঙমদবা ফিংনম্মু শানখি খোংলোয ওইনা তেংথা ঈশৈগা
চৈনাদি থংনা ঙমজদে তমবীরগম্মু তিংবা
কাযনা ঈশেন শাংকাযবগা শৈ ওইনা ।

রানোমজক খুদিংম্মু থংনব নুমিৎ শিংদা থাবল চোংলুসি
তুংশাখ্যোরনি থনজনা ঐগী মকপাশিং লমলাম্বা অমনিবুদি পনবা যাদবা
মঙাও খিনা নোংক্লখি ঐবু অহিংদা চাকতাবা জিব অমা মাল্লে
হাৎনং শুনবা, হকচাংদগী ঈতাবগতা পেনবা
তিনগী ইজং মাংহবা থাবল চোংবীনা পুন্সিবু উরগা লক্লখি ॥
কবম তাযকনি
পৃথিবিদা হেন্না শিংথানবিবা জগোয় অমবুদি থাবল চোংবীনি
উনিংলুদবা অমুক নুজাগী হুমাংনা চোৎলবা শমজিগী খোইখোইর শম্লাং
অমম্মুং যে নিংলুদবা মাইথোং ওৎপীখিনি মচুনা থম্মোয ॥

ফজেবা নুপী অমসুং লাই

মঙলান্দা ঙবাংদি নোংফাদোকনি লেমথোকলুগে থন
তোংহুনা ইদোম যেংলুই হবিবান্দোংদা লাইরৈবাক
উবকপা থরদি ?
মীনা ঐগী ঐগী ওইজনীংবা
মেন তানা লাইনা লৈবা মফমশিং
যু শুংলবদি পুন্সি হৌদাব্রবা যাগদবা মাল্লি।
লুপীদা চোপ্পবদগী মী তোইনা শি
অশি অনা কনবদগী
থুন হোংনিংবা কাংবুম্ব ইজ্জং ঙকা লৈ ॥

চাক তাংহুনা অশিং ওরান থা ওইবদগী
লৈক্রা-নীপা চাবগী হৈনবী লৈবা
যাঙ্গংলবা য়ুগোং চাদবশি না
ঐডোন্দা মুনা মুনা যেংহুনা শিন যোংখি।

ফজবা নুপী উবা যাদবা হেকতমক চেংপ্পা লাইদি
মকমহুদা ফী তোইনা হোংই,
লেমনা মাংহন্দ নুছাইবা মফমদা মাগী দমক হিংদ্রবদি শিহল্লী
অহুনা, লাই কংনবগী দমক ঔনা তাযবপ্পী
লাই থাজদবা ফৈ মকমশিদা
থোরাদ মরী-মচা লাইগা লৈগা।

ঈশ্বরগী মকমদগী শিবগী হক

নরা যাম্না লৈ নংদি শক্তী
অতিযা মচুগী ভগরুবা থৌনগী মীংশ্রাশিংদা নংগা
ঐনা শিবা তনক পামজখি।
কিনথরকপদ শমজিগী খোইখোযর শম্নাংশিং
নুংশি মাইথোবু লৌজখি ইদেনগী লৈকোল ওইনা
নবল যনা লৈ নদি শক্তা ।।

শিব, বুদ্ধ ভম্না থাখি
সহবসিদা নংগা মীংচান্না
মালুবনা নুংশিগী খোংলবা লোনম্ চম্বা থম্মোযশিংগী
নাডখ অচুম্বা অযুক শক্তা চৈনাদা নংগী ।।
ছাপ থইনদি যেংপা ওনজদে
খোম্লাং অমস্তু চুম্না, নংল পুম্বা অপোকপী ইমাগী
শিজিন্নখি লোন্না, তিনবদা নংগা চানবদা নংগা
লাকখিবনি শোন্নাহরবা মীচন অমা ওই
চিরাঙ্গিন গী ইনাগী লোংশা থম্মোয
ননাথরদুনা যাং তুক্কা অহিংগী ঐবু খাজনখিবা।

কৃষ্ণ না লৌজিকখি ইমা ভমজদে ইতিহাস অমতা
হযেম্তু নিংশীগী ঐগী যুভাজনশিংদা চান্নবীনা
তিংবগী আরাহবা নুমিৎস্তু চংখ্রবগী তুদদি ইমাগী
মড মখিব মীনাই অনা ওই লেপলি ঐ
অহিংগী মমৈ লোনলম্ নিংবা থুদবগী
ভাইবদা ঈশ্বরগী মকমদগী শিবগী হক ।।

মীৎকপ থোকলকপদা কেনখিবা মগুগী লৈ

লেমনদি মাংহনবীগনু
হনবা ঙমহল্ল ঐবু ত্তাইব'দগী
রারীস্থ পামবীগনু
পুন্সিগী মত্তাংদদি যাম্না কুইনা অমস্থং শাংনা
মাবু নুংশিত্থনা ইহান হান্না কপখিবত্থু
নংগা কাইনবা নুমিৎনি ॥

ইশানা ইশাবু কনজনবদি নংগী চিংনা মীৎয়েংদগী
ঈশ্বরগী মীংলেন লৌদবা ঙমজদে ॥
মাযথিবগী রাদি পনবীগনু,
অহুননি ঙসিফাও যু থক্লগা হিংবা ঙমলে খন চাওথোকচরিবা ॥
খোঞ্জেল থোক্লা নুংশি হাযঙমদবা তম্বা কযানদি
নফমদা লোন্ন' চিঠি ইবকই
"ঐ নংগী দমক আম্বাঘাট তৌগনি, অনৌবা চহিনা লাকগদা"

ত্তৌকৈদবদি কবিশু লৈত্তে
সভা মাংদা লোল্লবগীনি নুপা চামা নংগী মীৎনা
যে'খিবদা হংগোযবা নৈশিংস্থ শাৎলি
লোনশিনখিগ খনখিগনু কৈদৌনু'দা থোক্ত
চিঠি পুম্বা হা'দা চনশিনহনা লৈরান ॥

মীৎচানগত্তা লোযশিনখিবা নং ঐগী শাংলবা
ঘুংশিবগী চনৈনবা ইতিহাসতি ফাকলবোই অমুক মোনদ্রংদা
ইবাল লৈতে হাযকবগী হনজিন হনজিন
মগুদা শ'ৎপা লৈ অমনি
মীৎকপ থোক্রকপদা কেনখিবা নংদি ॥

কাওবা ভমলোয়দবা লৈনমগী অহিংশিং
অময়ুং ইনসোমনিয়া

মহৌশানা যুথক অমতম্ম কোনবা ভমখিদবা ইজ্জৎ লৈতবা মোম চাকলি লক্লহুনা মীচং লৈজদ্রবা ইতৈ-ইনাওবু তুকচনা মীমুংশি লৈতা তুমফম কাশিদা মথাই লৈনা ভসি ॥

অঙকপনি ঃ নীতি মুমিৎ খুদিংগী নোল্লুকচবা
যীশুগী চীনাইদবা শক্তম অমা
চ্রোমখিন যাল্লিবা ফক্লাংশিদা তাম্বিবা ইশাগী মমিনা
শৈতান চেল্লহুনা ইফমদা হংলকই
অশি শিংদা করি মুমিৎ চনগনি নং
নোকচরম্মী লল্লাই শাৎলুদ্রে অমুক ঐ
মুমিৎ-থানা লৈরিমখৈ হবাও-হবাও নোকখিগনি খল্লি
রাহং অমতংনা চিংহুনা পুগে খল্লিবা ঐবু
মনা যেংই তংদাংবা অমা লৈবি
ঐবু থাজবা ভমদব মাংভান্দা
পাউখুম মানদ পাউখুম পী
ইচু-চুনদবা রা অমত্তা ভাংদা হৈনা-হৈনা যু
কাশিগী লৈতেং ওইনা লৈরিবা লীক্লীদগী ॥
অমসুং থকচিল্লি নীলখোংদা অচিকপদা নাইতোম তাবনা হেল্লা পাম্বা
লৈনমতবু হৈনবী ঐগী মুপীগী মাং
কিরম্মী যুনমদা মীৎকপ থোক্লকনি
তুমথুন তানখিবতা ভাইরিবা থংনবা কাগী পুকচেল শেংবা অভাংশিং
লৈর লৈবহুনা চাইরম্মী মা চাংদমনিভাই লৈত্রবা আরবীয়ান শেনস
তনান তনান মোৎলবা ঐগী তুমফম কা।
হাংখিবগী মখোলসু তারম্মী থোঙ
তুমথবা ভমজনবা লৈনমলক কনাসু হাযবা ভমহনদা যু ভাওরবনি মা ॥

লাই ওইন্দ্রবা নুংশিরবশিংগী মরায়ঙক্তা-

করেমনরকসন্থু মীপাল তাংহনহুনা মতমনা রাহৌদোম্বু থংজক্রিবা পুন্সি
চিদানমীনগনি মাগা ঐগা ।।
কেনখিসনু শাংলম্বা ওয়াংগী নৈশক ওল্লবা নৈ
মচু পুম্বা মাংহনহুনা মঙল্লান্দা খোংগুল লিবগী
নমলুগনি ঐনা নীংতম্বগী মুৎনাইদ্রবা শিন্দুবু
শাংকাযববা শক্লোনপুনী নৈশিংনা থম্মোয়গী
লাই ওইন্দ্রবা নুংশিরবশিংগী তমফা থিনবা মরায়বক্তা

অমুকন্থু হকনি নোংমৈ মীলেন ইমাগী নৈনম মাংদ্রিবা নৈশিংদা
ইখেংটের ইতিহাসকী
লোয়নীহিদ্রবা সনাগী চেরাংশি হায়দোক্লবহুনা ।।

মৈগী নোংথাং কুপহল্লুনি লানগী পাণ্ডিবু পুরিবা ষ্ট-মরীগী শিংলিশিংদা
[illegible]মন্থু থিকনি ত্রীর্থকু ওইবা-যাবা 'যুগ' কয়াগী ।।

নিংশিংবগী থোনা অমম্বুং [illegible] লোয়নবা
নৈ থবস্থু কংলুনি মোমোন মীক্লোকী ইছল খিকথবহুনা
[illegible] ।।

লৈরি হিংবা ওইবা অশিঙ্ক্রয়ার ৩০-।

মোমোন মীনোকলকতা লোংশিনবীগ্রবা নুংশিবা

ইকায হংগাযজনা কাযনা ঈশৈ অমতম্ভু ইবা ঙমদা
পুন্সিবু লানফম অমনি হাযবশিমম্ভ কাওথোকপা তারম্মী ।।
অমম্ভং যেকচথি মতমচুপ্পা
পীরু-পীরু বিন্দুগী কৈযিশিংদা ওঙ্কয হাপলহুনা নংগী নিংশিং মমি ।।

চাংদমনথি থম্মোযবু লাংগোয চনশিনবীরম্বঃ থাবলগী মচুগা
নংগী ঙাংলৈনবা কুচুগী থোইথেয়নরবা শমজিগী শম্নাংগা ।।
চাযথবিবরুম্মী লৈ, [illegible]
[illegible] থম্মোয অনী [illegible] অমদা [illegible]

শিববুম্ম কাওথোকহনবা মরোলেবা মোমোন মানোক্লাদ
[illegible] লোংশিনহুনা পুখিথি চেৎবা [illegible] অমা [illegible]
মাংহনবীবহুনা ইরলতমক [illegible] নংগী [illegible]
পীরমাদ ঐবু হিংবগী হক নৌংতম্না ।।
নৈহৎপীরম্মী ইনথো[illegible]হুনা [illegible]
তামলবা করম্বা লমদম[illegible] ? .

লৈরি হিংবা ঙাইবা অশি[illegible] ।৮।১২ ।৮, [illegible]

নামিবা মুংশিংনদি লৌনম্মু পামত্রক্তুনা যৌবন
কনবীরম্মী থম্মোয পুরক্রক্তুনা নংগী মোমোন মীনোক্কী মুংশিরবা লৈনম
ছাওচংনরক্তুনা ফোংদোক্লবা রাহৈগী তোংঙ্গাল পুরক্তুনা ঐ লাক্লম্মী

মীয়ামগী নীল খোংবগী হুমাং অনপ্পী মরকশিদদি থংহৌদ সহস্রসিগী
মুংশাম্মোরম্মু পীবিবম্মা লৈনম মাংখিবম্মী
নাইতোম তারম্মী
পোংবা ঙমজখিদে নৌজম্রিবা নহা অমা ওইনম্মু
অনৌবা চহিনা লাকপদা থাগোননা বসন্ত ॥

শিগদবা নঙগী দমক : য়ু

য়ুগা কোননা চাকলেন অমা
লাংলুনগী করিনো কাপ্পবনা, নঙগী দমক
শিবনি হায়বগী ত্তাংদাংবা অমসু লৈত্রিগে
ঙমলোই লৈত্তুনা পীবা কৈদোন্নুং
ঐগী শৈরেংনা নঙগী য়ু ।।
চিংশিনা মথৈ থত্তুনা শিবা ওইজরো লাইনিং
লমদমশিদা পোকপনি নঙ
কবিগী শিগনি মায়োক্কবা ঙমদনা কনাগা
শনউ চৈশৈ শকতনা লেনগনি করম
লানবু পাম্বা নঙোন্দা
পীবা ঙমলোই কবিগী
ঐগী শৈরেংনা মৈ ।

তোরিস য়ুমগী নিংথিরবী থোঙনাও
অমসুং আগষ্ঠ তরাহুমদোই

নুঙায়না তুমখুন তানজবিতে মীবু হাৎপীবা হায়বসিসু
নীংতম্বা ফংন্নবা পাম্বৈ অমরা ?
ঐ ইশাগী চহি কুনমঙা
খৃঃ ১৯৯৫ আগষ্ট তাং তরাহুমদোই
ভারতকী নাগরিক অমা ওই
ইহান হান্নঃ নিংবা কাযখিবা নুমিৎ অমা ।।
ইরাংনা রাযচাইবা ভারতকী কাশ্মীরতবু মীতাঙনা লাকখিবা
পৃথিপুম্বনা খোংগাযনবীগ্রবা হেন খুচৈন সেতবনা
লৈখিদবা নুমিৎ ।।

নীংতম লাম্মীশিংনদি হাযঃ ভারত নীংতম নুমিৎকী
মাংওইননা পীবা পাউজেলনি, নংগী অশিবা চকচাং ।।
অসুমসু ওইখিনি ঐদি থলুদে কৈদৌনুং
মীচং লৈত নগ্রগা লাইরবা লৈবাক অমানি
ঙাংনখি নংগী পোক্রফম লমদম ।।

নিংশিংবনা লান্দারকপা খুদিংদি উবম্মী ঐগী মীৎস্নানা
ইনাখুলগনি হাযরকুনা থম্মোয নোংমা নংনা চাংথাকচখিবা
উরগনি রাংলবা সিযাচিন চিংদালগা কাশ্মীবগী
লৈচিলগা ফুংশি চিলোরবা অতিযাগী সুখল মকমদা
অমসুং ইচম চমজবা মালগী মথাদা
শাংকাযরকপা লৈগা থাবলগা উনবা ইকায খুম্ননা
ফডবা পুম্বনা কুপশিলগনি থম্মোয মাযথিকুনা চপক্রারাই মীৎস্না

মাংওইননা নোংমম্তু অহিং চুপ্পা মুংশি রারৈদা
চোকশখি হক্‌চাংগী কয়াং পুম্বা নংগী চাম্বীগা
পাউমেনজখি "থরায হাযবসি কাযগলবা মীংশেল অমানি
চেকশিনব হাযরশিনা ইবানিগী ননি ॥
পুক্সি অমসুং শিংগা রাশিংদা শিথ শিথ নোকখি।
নোঙালগদি ইপান লাংলিবা গুলাবগী মীংস্নাগা
চোকথনা মীংচানখি মরানী ॥

জলাইগী তাং মাপল: অতুনগী ঐগী নাপদা খোঙ্গেল অমা
নী শম্বগী দমক শিজানবিবা খুংনাযশিংগী মনুংদা
নংস্তু অং। ওহরে
আগষ্ট তরাহুদাই নংগী শিবা নুমিৎ॥
এসতব
চৎথ্রবস্তু নুমিৎশা ওইরি নংগী নরল
শোল্লবা গ্রাসশিং কায়রহনা পোঙনাওগী পুৱক্রী নুংশিৎনা নপাও
তুথ্রে ফিযাপ যেক্রবগী
অচুম্বা ভাংজরগা চাজরিবা শিংগী লৈফম ওইবগনি ঐগী পোক্রফম

রাখেলগী নুমিৎ অমানি হাযবা যাদ্রি
লৈখিদবা নুমিৎশিনা নংগী
মীংতম্বগী মরাযনক লেপ্পবা মখোযগী ॥

অচুম্বা অমতং ঙাংলুবগী অশিবা হকচাং অম্মা

শিবা ঙাইনা লেপ্লে হাযত্রনমু
ইশাগী অযাবা লৌত্রনা চৎচবনি
অমম্বশিদা যৌম্নবা ইযুম ॥
লাইবু থাজদবা মরৈবাক নীংনা মচাশিংগী
মীৎলুদা মীৎকী পী ॥
অমসুং মীৎম্নানা পেকলিবা জগোযসিদি
নীংতম্বা ঈশৈ শকত্রনা ॥
শথংনজাগে লাকনবনি মীর'যবীববা নংগী
পীরোইনরিবা 'খা'খাদ' লৈবা থম্মোয়শিংগা
নহা অমা ওইজবগী চাওখোকচনা পুম্ব লংথক্লত্রনা ॥

মতমবুদি লৌখি একতবী ওই কযারক
মবাল শিনত্রনা
ফংলম্মী অশিবা হকচাং অমা অচুম্বা অমতং ঙাংলুবগী ॥

ঈ তোৎলবা অকাযবা লৌক্লী মচেৎ লংখোকলুই লৈকোলদা
মমোন মিনাক তমজখি
খুশি লৈবী মহায়ানীশিংনি থক্লাযবু মনত্রিক্লবি
কনানা পুবিগনি
দলাইদা চুংগোই শারত্রনা
লৈনমু শংলু যাদনা মোংফম অমদা
লাই ইবুঙো নানামু কিত্রনা লৈরম্বা যাই ॥

জ্ঞান মাংবা

পেনচনন মৈম ঙইনা চৌরকপদা
লৈশাদ্রনা থাম্মাগন নিশা থকচিল্লি
চৈননন তংথাক শিঞা মাংনা যাবগী নত্রগা তুমখিগদবা চিংনবগী
নাংইটাদৌশিকপ পুন ভুমদবা ঙনিংবনা
থম্মোযগী সমুদ্রদা থুবার ঙইনা কাবকই
নিশানা চেন-চোংনা শাম্নবদা মনিংতম্না ।।
খাংহৈমদবন ঙনি না পুম্বদি ঙথোক্লম্মী
নঙগী যাংলন শক যাঙদ্রবা অমদি মীহুন মাংলবা গলিতুদা
চিপলম্মী যাচ লকপা মাম্না মোংফম তাম্না থোনখ্রিবা লম্বীতুগী মরাইবগ্গা

অবানগী লৈরাম্ল তাইদাক্লতুনা ইমিংশিনা মীকাজবম্মী, রানা
আশংগী পাস্নাম মান্না থৌনাগী মঙাল অমতং ।।
লোয়না চেস্ব অমম্বা লমদমগী লমচং যাঙদনা ন্নুংশিংশিংনা যাতু শাম্নবম্মী ।
ইমাংদা মঙালগী কাংথুল মেনশিন্দুন ।।
থম্মোযশিগী খুঙ্গাদা যোল্লম্বা মৈস্নু নংবু ন্নু শিনগী
মুংথিরম্মী ন্নুংশিংকী চৈরাক খাংবদ, মম লাঙন ।।

নুঙগী লায়না চেনবা মীৎচি

আশাবু যুগা শকচিন্নখী
অহুগা থিনবীরম্মী মহৌশাবু অশিবগী লৈবাক্তা লৈকংগী তাইবংপাল
অমা শুংলহনা
মযাগী কোম পাথোকহনহুনা তেকহল্লমী
যাইফবগী থবক্তা চোংহুনা শানক্তবা মীহুনগী লায়না চেনদবা কলেজা ।।

অসুম হায়না কবেমনদি মাস্তু নাচংদ : তম্নশাইগী
চিংসা মোংবা মতমবাক্তা মাগী হকচাংগী
পোপলবা কযাং শিংনা মশল পুংথাক্লহনে.
তিনবগী অবেংইব ভূমিংশি দি লামহলম্মী
পৃথিচা শিংগী আশাগী স্বর্গ ওইনা অহুগা নাবোন্দা
শিংনবম্মী চিংশেম্মা মথোযগী মহিক চেম্বা মিৎচি
অমসুং পেন্নাইদবগী মুড ওলহনবা লৈশেম জগোয় ।।

খুবাক মখিলী মঙ

সহরশিগী নিশাগী গলিসিদা ললোন পোৎ ওইনা ঐ
মৈ চেনা চাকলিব রাশকী ইমিংশিনা
মৈচাক ফংলবা মীংচংকী মঙশি সি কোল্লহুনা খাংলিবা ॥

রায়েলশঙগী মাঙ্গাশদা অহীংশী মযাই কাবা গাম্বোমগী
রাংথংনকপা মখল অনম্বুং মরাযবকতি পুথোকনি দ্রে
মাইযোক্লন নুমিংকুম ডানবা মাগী লাইতোংবা থম্মোযগা হকথেংননা।
নৈগী মাইযো নত্রগা পম্মাযম্বু পামজনা তৈনকপগী যুম্বু থকনিংদ্রে
ইতাও তাওন ॥

মু থেংনা থাক্লবগী লাই লৈবা খুবাক মযাইগী স্বর্গ অমদা
লেহনিংই ইবাংনা মহুম শাবা চহী শিংশিদা
মঙফাওনরগাদি ইনিং তমগনি নঙগী নতমবাক্তা
অমম্বুং ঈগী মমলগী লৈপরেং লেংহুনা নত্রগা লাইয়েকতুনা ॥

নুংশিবাবু তম্বীরিবা অয়েকপা লাই

ইশানা শিংদা ইশানা কপলেরোই
অমসুং কপনিংদ্রে নংগী দমক ॥
নুংশিবা কবিনো ?
থংনা লোইবতা মস্তাইরি ভসি
যেকপা লোইরবগী তুং
ছবি অম নংগী মাইথোংগী
যেংনা যেংনা নংগী মীৎয়েংগী থাবল মতালদা
শাংকাযথিনা থম্মোযগী পাংতা থম্বাল ॥

অপংবগী খুহতা

থম্মোয় মন্থরগী লুথাক থাকলি অশিংবাশিংনা অপংবাশিংগী
যুমগী হুইনম্থ হংগোইবা
অপংবানদি লৈবাকসিগী ময়ায়বক্তা
সেবা চংবাগুম সভাগী শিন্দুর নমলি মায়পাকপগী
ইরৈবাকসিগী যাংলেন শরুম্থ ওইরি
মথোয়গী খুবাক ময়িদা পুনচুপ কুপ্পহুনা ।।

মশাগী মমিবু মীংকুপ খুদিং
নিংশিংজবা পাথং

কনা লৈতরে
লক্ষীচেম্বা লৈশিংবু টকায় খুম্নন লেল্লি
শিনফম অমা ওই ঐ।
লমহাং পুম্নম্নু কনাগী মতিক লৈ কুপশিনগদৌবা
লাক্লরোই অমুক উন-রাইমুক চিকথ্রবগী তুংদা লৈভোযগী ফঙবব্
মীবাইবা নোংলৈ ॥

মোন্না মোংহাদ যুবাংলিবা
মালংগী ইন্দ্রিবু শুমহংপা ঈশৈগী শহুনদা লংথোকতুনা
লৌনম তুমখুল
শমাই লৈরকলি, শরাইরবী মভাইবেম্মা
চিংশাং নাওপোম ঈরিলদা শাগৈ নাইদ ঙংলিবী লৈ
লমনশিংতুন, লাইবুংদা মহৌশাগী হল্লি ঈশৈ থেক্রতুনা জগোয ॥

নিংতম কনা মশুংলাং থিক থিক নোংকলি থদে অচিংদা ঈশংস্থ
লাকলি তুজুদনা মখৈ হরিবান্দোংদা তুংশা মপী হোন্দুনা
চোংথললিনি তোযনা তোযনা অচোপ অরেম যাওদবা
নপোক্কীসু চাযংমুক্কী
তোর্বানবু ভাকশেন্না লৈশাগ্রীবী শেগী লোংগানবা থুদবা
মডগী থোংনবা কয হশিং ॥
পীখি চহিংচা কযা চৈখং তুংশিন্দুনা লুহোংখাদা নৌনা
শেম শাজবা রাহংশিং ॥

অহিং তুমদব-মথৈ থরায়বু নীকহন্দুনা শকহল্লি
ন্নুংশিবগী মনাক নক্না যাকাইবোল।

ইজং ভাক্লা মথুযাখাদা পাংই মীংস্না, নফমদা কংথোকপগ
শেয়েং পাবা ভমজননবা।

ফিগৈ শে লগে হোৎনক্কে
চিবোল লৈনা লোনশিন্দুনা থোং
কোকচবা ভমজদে ইবাল
ইপান থাদা ইশানা যানা লংজখিবা।

মচুনা চীংলেমহনবী খ্বাইগা য়ানবা থম্মোযবুস্থ ফাখি
নাশোনা পক্লা হকচাংবু য়োনথোকপদা মনমনা লাং থাক্লিবা শম্লাং
লমচাক চানা চংপনদি ঈথংনা নোংমস্থ পুখিবা উই
মপোক ন্নুমিং নেপ্পা ডনদবা অশিবা অভাং অমা
থুনগী র... লম্লা চংখিবা লুতোংনগী ন্নুমিং লেপলবা
অচুম অরান মশক থংদবা পাথংশিংনা মশাগী মমিবু
মীংকুপ খুদং নীংশিননবা পুনা মীংশেল য়েংই।
তাযক্কে' নীংহৌনন ইকায় থংদবা অমুক হন্না উংলাম্লাই
ফীজ মকমতমক পাম্বী শাবী শানৌশিংগী অশংবা মচুবু
ডরগ য়ুন পানজনাংবগী থক্কা ইরাং॥

মোংহাদ নওগী খোংলোয় ওইনীংর্মা

নামিবগী তুজুংলবা লৈনমগী চিনবান্না
নীংতমজবিবা গুলাবগী মীংস্নাশিংদা নীজররক্রী থৌজাল
পাথাক্লদুনা লুংশিররবা তৌদ্রিগী মখোল ।।
থুংলরি নৌহৌন্না যাইফবগী ঙাইজরম্বা মঙাল
মমল নাইদ্রবা থম্মোযশিদা তথক্রবা নোংদোনগী থরান
মীপায়জরম্বা অশাংপা লৈগী তেংথাবা মানবা মীংলু
নাইতোম তাঙনজৈ নৌজরদুনা
খোইথুম্নর আশাগী লোইনাইদ্রবা মীংযেং ।।
পুক্নিং হনা খোয়দাকই
মঙলানগী খুংশানা যেকচবা নিংশিংবগী মমি
লুংশিরদুনা নংগী শিবা নাইদ্রবা নরাযবক
অমসুং শেমনিংলদুনা তংনাইদ্রবা মপোকশিংগী খোংলোয়
নংগী থ ম্মাযনা পেনবীনবা ।।

ফি শেৎলি হায়বগী
ইকায় খ:না করেম কথাইনবা

থুরুমজরি নামুংবা রাদি নিন্দানি
পকচদে লমচৎ কোমবা মীতিনফম ।।
সনাদগীস্থ হেন্না তাংবা যু খিংলবদি থকপা
নিত্তি মুমিং খুদিংগী লান্নীশিং শৈতান ওনহুনা শি ।।
অশি মীৎযংদা লাইচুরবা মীৎনা থম্না থক্লা
লেন অফ তেবোর অমা শেমলুবগী তুং
ইসলামী আইন থংলুবগী পংমুং মুত্তাইবা হায়বহুবু করিনো ?
ঙাইবা তাবরা খুনতাক লাইশি ওইননবা শাগৈ জাৎ থাইদবা
মীওংপা 'মারশেললো''
নৈজিক লাংলিবী বেগম সাহেবা মত্তিক লৈবী আচ্ছালামু আল্লাইকুম ।।

মীতমবানশিংনা লুচিংবা ইরাং লৈবাকশিগী তৌবীমল থংদবা
শান্তিসেনাশিং হেঙো হেঙানখি
যুমদিন্নবা মান্না লেনখি নংগী মনাক নক্লা লৈবা সহরশিংদা
ঈশ্বরনা পীরকপা হক ফংবগুম ।।
শেলবু উরগা নিংশিংখি মতম চুপ্পা মুপী
নীংথম ঈশৈ ঙংহুনস্থ শুংখি পূন্সিগী দমক যু ।।
লৈবা যাবোই চিংনজে লানগী পাও চেনদ্রবদি
তোল্লবা জিব অমা নাক্ত খনখি মখোয় ইতিহাসকী ।।
অহুনা হন্দক মপোকসি লুই কৌকবস্থ
কনাগী মফমদা সেক্যুউরিত্তি য়াওদা মাইপাবুং ।।

মপী-মপা লৈজদবা লমজাশবা তাবা মাগী রাজনীতিনা তম্নরি
বোম ওই সহবশিংদা অমুকস্লু মহাদেশশিংগী
লমশি মাম্বা গনতন্ত্রগী নুপীনা পানবা ঙমদবা সহরশিংশিদগী
হুনখিদে নুপী অমত্তা ইজৎ মা দনা
বেগম : ফীনুংস্লু উবা ঙম্বা মমিগী যন্ত্র অমত্তসু যাম্বা ঙমজদে,
শিজিন্নহুনা মংমগী থাক রাংবা যুথক্কা লেংগোন্নবা নংদি।
নীপাগী নু শিববা কযাংশিং করম্না অমসুং পামুনা
শিজিন্নগনি হাবদগী জ্ঞানসু লৈতবা নংনা,
মফমশিদা নপুকচাক থন্না লেনবা ঙমশিবসি। অঙকপনি
থাগৎচরি বেগম ঃ
হিরেখোন নে-হান ঙসিল দি নং,
হায়েদি ঐগী শৈরেংগী মপাক নুমিৎ
মীগী কামাই চারগা মচা পোকপদ হালেংদবী মাগী শিবগী নুমিৎ ।।
লৈবরোইদবা অমুক ‘লেন অব রেবার”
অতুনা চংশি কল্লক-কনজাওনসু নংগী অপাম নুংশিনা
থল্লবা পুক্লিং খোইমুন মীতাজবা, চাকতাব যাবা লমদম অমা
উনকসি বর যংলবা শাদাননা,
নিংথৌ মানবা, শিমিন্নগদৌবা নহা ওইবিনা
ঐগী অবেঙ্কা মকপশিংগা।
করেম কথাইনসু কনাবু কী শংনা হাযবগী ইকায় থংনা।

নীংতম্বগী চহি য়াংখৈ
অমসুং দম্নুগী থম্মোয়দা ঐগী খুঙ্গং

ভারতবর্ষ। ফমনাল তোংবা শাগৈনা কুমদম্নকপদা
ওংলকপী নীংতম্বা কৌবী নীঙোলসিগা পোকমিনখি ঐ।
চাংথোকচৈ আগষ্ট ওবামবিগী নোংয়াই চবুক যীশুগী
চা তরা মাপল নিপু তারেং।।

এগী খুঙ্গং। নীংশিংলি পাংযাগী মোংশাং মনাক্তা গুমলিংলম্বী
তমগী ভূমি থঙ্গোংশিং,
লাইরেন লানবা মোংখিবা ইনিলদা কীদুনা চেনশিনখ্রবা
লমজংদা উধুল খোংলতুনা শাম্নজরম্বা মফী থোক্লবা অঙাংশিং।
কাবাকংগী নৈল মরক্তা ইকপতুনা শাম্নজরমবা ইবাইশিং
মনিং-মনা চপ যু চেনশিনখিবা,
চাকতাবম্বা লাই শংগোলশিং অকী-অখ দঃ পাইথোকখিবা।
লাই নৈ মীনদি ভাংনৈ।

খুঙ্গগী পাংযাসিদ। শাবী শানৌ কযাগী ক্রুংশি চিন্নচান্নবা কযাদি
নৈখি ঈশিংদা মমি ওইনা।
মাগ। মশাইগোনশিদনি গ্রীনমু নাশোন গীক্রু নাপা চিকনরম্বা কনাগা
নীংশিংনতনি খুদমদি পীনিঙাই ইলে নৈরে।
তনিক তনিব্রবা যৌবননা পান্দাল লোমলকপদ দ
যাও ইল্ল ঐ পুনা চেনবা দম্নুগ লাইবক যুংদিমজৈ খুঙ্গংশিদা
নী ইম্বী চাং যাংখৈ নবাইবক্ত ভসিদি মথি ফোংকাত্রে
নৈত্রে লাইরেন।

লাইশগোলবুদি উরগা লাওই অঙাংশিংনা : লাইশগোল নংগী
নয়ুমদি তিকিনা চাকাণ্ড্র। থোংলকত্রে উখুম
নোংজুথাদদি তোয়না মীরোল্লী ইন্দ্রগী শাম্নফমনি হায়নবা ইন্দ্রোপাৎ ।।
হৌজিকস্সু চৎনবী ওই ঃ থিচিৎ মীচিৎতা শেল তোনবগী
রারোইফম লৈত-লাউনবীহু
শেগাইরত্না জুরাগী চে ঙাইহাক লৈতা ।।

নীংতম্বা ঙসিদি চহী যাংখৈগী নীংশিং কুমওনলক্তা
পাৎশিদা থংদে লুরিবদি, রাইথুগী মখুনদা লিন,
লিনগী মখুনদা রাইথু নত্রগা ঙাপ্রুম ।।
মতৈ মনাও শিববদি থংন থংননা হাযনৈ, ঙাগা ঈশিংগনি ।।
ঐনা থল্লি : ঐগা দ’ংগদি কমদৌনি।
যু ঙাওত্না হল্লকপদদি পাৎযাগী মঙ্গ মখোংসিদ হেক হেক
হান্দাকই (ওই) ।।

নিংথমথাদস্থ হুমাংনা পুংলুপ লুপই
যুমদা চৎথ্রগদি দস্থনা চৈঃ যু পুমথৈ থক্রবনিনা খুঙংশিগী
মী চপচানা মাল্লেদনা
কপ্পী দস্থ : জুরারী, যুঙাওবা ঐডোন্দা যেংত্না
পু’রুং নুংশিরকই জুরাগী চেশিংত্নু নীংশিংবদা ঐ
থেম্মী : সাহেব অমস্থং বিবিগী মরক্তা লৈরি
লৌথুপ পৌকোই লৈতবা নুংশিনবগী মরি
ইবানীস্থ মত্নুনিদনা দস্থ ।।